ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ
ꯊꯥꯡꯖ, ꯅꯣꯕꯦꯝꯕꯔ ꯱꯶, ꯲꯰꯱꯹, ꯏꯝꯐꯥꯜ
꯴꯳ ꯁꯨꯕ ꯆꯍꯤ, ꯲꯲꯸ꯁꯨꯕ ꯃꯁꯤꯡ
হুইয়েন লানপাউ
থাংজ, নবেম্বর ১৬, ২০১৯, ইম্ফাল
৪৩শুবা চহী, ২২৮শুবা মশীং

কর্নাটকা লেজিসলেটিভ এসেমব্লিগী বাই-ইলেক্সন

বি জে পিনা সীট ১৫গী মনুংদা ৬ ফংবা মথৌ তারি

কর্নাটকাদা এম এল এ ১৭ দিসক্বালিফাইদ তৌখ্রবা মতুংদা ইলেক্সন কম্মিসননা দিসেম্বর ৫দা কন্সটিট্যুয়ন্সি ১৫গী বাই-ইলেক্সন পাঙথোক্কদৌরি। হৌখিবা শগোলশেন নুমীৎতা বি জে পিনা মরক্কী মীখলদা মীরেপ ওইগদবা মীওই ১৪গী মিং লাউথোকখ্রে। সুপ্রিম কোর্টনা এম এল এ ১৭ দিসক্বালিফাই তৌবগী ৱাফম অয়াবা পীখিবা তারবসু দিসক্বালিফাইদ তৌখ্রবা মীওইশিং মরক্কী মীখলদা মীরেপ ওইবা য়াগনি হায়না ৱায়েল পীখ্রবা মতুংদা বি জে পিনা মীরেপশিংগী মিং লাউথোরকপনি। মমাঙ চহীগী জুলাই থাদা মতমদুগী কর্নাটকা লেজিসলেটিভ এসেমব্লিগী স্পিকর কে আর রমেশ কুমারনা এম এল এ ১৭ দিসক্বালিফাইদ তৌখি। মতমদুগী চীফ মিনিষ্টর ঐচ দি কুমারস্বামিনা লুচিংবা কোংগ্রেস অমসুং জনতা দল (সেক্যুলর)গী চুংশিন্নবা লৈঙাক্লা এসেমব্লিগী লৈমায়দা পাঙ্গল চাংয়েং উৎপদা শরুক য়াখিদে হায়বগীদমক এম এল এশিং অদু দিসক্বালিফাইদ তৌখিবনি। স্পিকরগী ফিরেপ অদু শীংনরদুনা সুপ্রিম কোর্টতা তোঙান-তোঙানবা পিটিসনশিং ফাইল তৌরকখ্রবা মতুংদা জষ্টিস এন ভি রামনা, জষ্টিস সঞ্জিব খানা অমসুং জষ্টিস কৃষ্ণ মুরারিগী বেঞ্চনা এম এল এশিং দিসক্বালিফাইদ তৌবগী ৱাফম অয়াবা পীখিবগা লোয়ননা হায়রিবা মীওইশিং অদু বাই-ইলেক্সনদা মীরেপ ওইবা য়াগনি হায়না ৱায়েল পীখিবনি। হৌখিবা জুলাই থাদা স্পিকরনা এন্টি-দিফেক্সন লোগী মখাদা কোংগ্রেস অমসুং জে দি এসকী রেবেল এম এল এশিং দিসক্বালিফাইদ তৌখিবা মতমদা হায়রিবা মীওইশিং অদু এসেমব্লিগী টর্ম লোইগদবা কুমজা ২০২৩ ফাওবা মীরেপ ওইবা য়ারোই হায়না লাউথোকখি। নীংবা কায়রবা এম এল এশিংনা স্পিকরগী ৱায়েল শীংনরদুনা সুপ্রিম কোর্টতা পিটিসন ফাইল তৌখি। পূন্না মেম্বর ২২৫ লৈবা কর্নাটকা লেজিসলেটিভ এসেমব্লিগী মীখলদা বি জে পিনা সীট ১০৫ ফংদুনা সিঙ্গল লার্জেষ্ট পার্টি ওইখ্রবসু লৈঙাক পায়বা ঙমদবদগী কোংগ্রেস অমসুং জে দি-এসনা খূৎশম্নরগা লৈঙাক শেমখি। অকোনবদা কোংগ্রেস অমসুং জে দি-এসকী এম এল এ ১৭ দিসক্বালিফাইদ তৌখ্রবা মতুংদা বি জে পিনা লৈঙাক পায়খি।

দিসক্বালিফাইদ তৌখ্রবা কোংগ্রেস অমসুং জে দি-এসকী এম এল এ ১৭কী মনুংদা ১৬তি বি জে পিদা য়াওখ্রে। শগোলশেন নুমীৎতা বি জে পিগী বেঙ্গলুরুদা লৈবা হেদক্বার্টরসতা চীফ মিনিষ্টর বি এস য়েদিয়ুরপা য়াওনা পাঙথোকখিবা থৌরম অমদা কোংগ্রেস অমদি জে দি-এসতগী চঙলকখিবা মীওইশিং তরাম্না ওকখি। তুংদা মীওইশিং অদু বাই-ইলেক্সনদা বি জে পিগী মীরেপ ওইহন্নবা থৌরাং লৌখৎলকখি। বি জে পিগী মীরেপ ওইগদৌরিবশিং অদুদি অথানি কন্সটিট্যুয়ন্সিদা মহেশ কুমাটালি, কাগৱাদ কন্সটিট্যুয়ন্সিদা সিমন্থগাওদা, গোকক কন্সটিট্যুয়ন্সিদা রমেশ জরাকিহোলি, য়েলাপুর কন্সটিট্যুয়ন্সিদা শিবরাম হেবার, হিরেকেরুর কন্সটিট্যুয়ন্সিদা বি সী পাটিল, বিজয়ানগর কন্সটিট্যুয়ন্সিদা অনন্দ সিংহ, চিকাবালাপুর কন্সটিট্যুয়ন্সিদা কে সুধাকর, কে আর পুরাদা ভাইরথি বসবরাজ, য়েশৱন্টপুরদা এস টি সোমশেখর, মহালক্সমি লে-আউটতা কে গোপালাইয়া, হোসাকোটেদা এম টি বি নাগরাজ, কৃষ্ণরাজপেটতা কে সী নরায়নাগাওদা, হুন্সুরদা ঐচ বিস্বনাথ অমসুং শিবাজিনগর কন্সটিট্যুয়ন্সিদা এম শরাবনানি। বি জে পিনা লৈঙাক পায়নবগীদমক বাই-ইলেক্সনদা তঙাইফদনা সীট ৬ ফংবা মথৌ তারি। বাই ইলেক্সন পাঙথোক্কদৌরিবা কন্সটিট্যুয়ন্সিশিংদা কোংগ্রেস অমসুং জে দি-এসতগী চঙলকপা মীওইশিংদা বি জে পিগী টিকেট পীখিবা মরম্না মমাঙগী মীখলদা বি জে পিগী মীরেপ ওইখিবশিং অমসুং পার্টিগী অশেংবা থৌমী কয়া কোংগ্রেসতা য়াওখিবা য়ানা লৈরে। কুমজা ২০১৮গী এসেমব্লি মীখলদা মায়থীহৌরবা বি জে পিগী মীরেপ শরথ বচেগাওদাদি হোস্কোটে কন্সটিট্যুয়ন্সিদা ইন্দিপেন্দেন্ট মীরেপ ওইনা মীখল থেংনগদৌরি। কগৱদ এসেমব্লি কন্সটিট্যুয়ন্সিদসু বি জে পিগী এম এল এ ওইরম্বা রাজু কাগেনা পার্টি থাদোক্লগা কোংগ্রেসতা য়াওখ্রে। পোলিটিক্সতা মীওই অমনা পার্টি হোংদনা হেক হৌবদগী লোইবা ফাওবা লেঙদনা লৈবা হায়বসি য়াম্না তাঙনা থোকপা থৌওংনি। মশাগী খূদোংচাগদবা য়েংলগা পার্টি অমদগী অতোপ্পা অমদা চোংথোক-চোংশিন তৌবা মফম খুদিংমক্তা উবা ফংলি। হন্দক পাঙথোক্কদৌরিবা কর্নাটকাগী বাই-ইলেক্সনদা বি জে পিগী মীরেপ ওইগদৌরিবশিং অসিসু কোংগ্রেস অমদি জে দি এসতগী চোংথোকখিবা অমদি দিসক্বালিফাইদ তৌখ্রবা হান্নগী এম এল এ ঙাক্তনি। চৈরকসিদা কর্নাটকাগী অর্বান লোকেল বোদি (য়ু এল বি)গী ইলেক্সন রিজল্ট লাউথোরকপদা কোংগ্রেসনা অপূনবা সীট ৪১৮গী মনুংদা সীট ১৫১ ফংদুনা মকোক ইথং-থংনা লৈরে। বি জে পিনা সীট ১২৫ ফংদুনা অনীশুবা অমসুং জে দি-এসনা সীট ৬৩ ফংদুনা অহুমশুবদা লৈরে। ফীভম অসিদা হন্দক দিসেম্বর ৫দা পাঙথোক্কদৌরিবা এসেমব্লিগী বাই-ইলেক্সনদা বি জে পিনা অপূনবা সীট ১৫গী মনুংদা ৬ ফংলগা মখা তানা লৈঙাক পায়বা ঙমগদৌরিবরা হায়বদু য়েংবা তাবনি।

হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-১০৮

১। মণিপুরনা ইন্দিয়াদা তিল্লবা মতুংদা লমদমসিগী শাংলবা নীংতম্বগী পুৱারীদু থূপচিল্লগা 'পার্ট সি ষ্টেট' অমা ওইনা চীফ কম্মিস্নর অমগী লৈঙাক্তগী নৌনা হৌবা তাখি। কুমজা ১৯৪৯গী ওক্টোবর ১৫দগী।
(ক) ওক্টোবর ১৫দুগী মমাঙদা ওইরম্বা নীংতম্বা মণিপুরগী ইলেক্তেদ, অহানবা অমসুং অরোইবা চীফ মিনিষ্টরদু কনানো?
(খ) অদুগা ওক্টোবর ১৫দগী ওক্টোবর ১৮ ফাওবা নুমিৎ ৪নিগী চীফ কম্মিস্নর ওইরম্বা মীশক্তুনা কনানো?

২। "মীয়ামগী ফনবা অমদি নুংঙাইনবা অঙৌবা তাৎ মচা কয়া মফম মতম চানা শীজিন্নবদি কবি, উপন্যাসকার, ৱারী মখল মথেল ইবশিংনি।" ৱাফমসি 'পুন্সিদা তাৎ মচাই চন্নফম' হায়বা ৱারেংদুদগী লৌথোকপনি। অইবদু কনানো?

৩। "ঐগী মন্নবা পুন্সিগী অরোইবা অহিং - অনৌবা অয়ুকপু লাকখিদ্রা? অদুবু, অহিংনা নোংঙানবা ঙাইরি।" পরেং অসিনা 'অতিথি অমগী অহিং' কৌবা উপন্যাস অদুগী অরোইবা পরেংনি। অইবদু কনানো?

৪। "চীং নঙ/খূৎ য়াওরুনু/তুমিন্না ফম্মু/লেমজবগী হৌনশা।" পরেংশিং অসিনা অইবী অখোম য়ান্দিবালাগী শৈরেং অমদগী লৌথোকপনি। শৈরেংদুগী মমিং হায়য়ু।

৫। "নুংশিদরা য়েংঙু/উচানগী মৈরা/কপ্লিংদরা নঙবু উরগা তোয়না।" পরেং অনী অসিনা মমিং লৈরবা ঈশৈ অমগী অহৌবা পরেংশিংনি। অইবদু কনানো হায়য়ু।

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম নবেম্বর ৩০, থাংজ নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল **hueiyenliteraryquiz@gmail.com** সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-১০৭কী পাউখুম থাবীরকখিবশিংদি

১) সীনেদা থিয়াম, চীংমৈরোং য়েংখোইবা মেঞ্জোর মমাঙ লৈকায়	(৪)
২) দোনেশ্বরি থিয়াম, চীংমৈরোং মমাঙ লৈকায়	(৪)
৩) মাইস্নাম বুধ, চীংঙামখা মাইস্নাম লৈকায়	(৩)
৪) থিয়াম রাজেন্দ্র লুৱাং, চীংমৈরোং য়েংখোইবা মেঞ্জোর মমাঙ লৈকায়	***(৪)***
৫) আনন্দকুমার খুঞ্জাময়ূম, তাওথোং অয়ুংবা, লমশাং	(৪)
৬) তোংব্রম জিবোন, লাংজিং অচৌবা মখা লৈকায়	(২)

হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ- ১০৭কী ৱিন্নর

থিয়াম রাজেন্দ্র লুৱাং, চীংমৈরোং য়েংখোইবা মেঞ্জোর মমাঙ লৈকায়(দ্রোদা ৱিন্নর ওইখ্রবা)

লিটরেরি ক্যুইজ নম্বর ১০৭কী মনা লান্থোক্কদবা নুমিৎ অমসুং মফম নবেম্বর ১৭, নোংমাইজিং নুমিৎকী নুংথিল পুং ৪ তাবা মতমদা হুইয়েন লানপাউ ওফিসতা লান্থোকচগনি।

হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-১০৭কী পাউখুম

১। মণিপুরগী পুৱারীদা ইন্দিয়াদা তিল্লবসু খুন্নাই অসিগী কলচরেল মকোক্তি ইনিংথৌনা অদুম ওইরি। হৌজিক ইনিংথৌ লৈশেম্বা সনাজাওবনা ওইরি। মহাক মহারাজ বুধচন্দ্রগী মশুশিংনি।
(ক) মহারাজ বুধচন্দ্র শোক কয়াদা থূপখিবগে? **:- ১৯৫৫।**
(খ) ইনিংথৌ লৈশেম্বগী রানিগী মমিং করি কৌবগে? **:- অনামিকা।**

২। "পৃথিবী অসে অকনবগীনি/মসিদা অশোনবগী মফম লৈতে।" ৱাফমসি রা: কু: সুরেন্দ্রজিৎনা হায়রম্বনি। অইবা অসিনা পুথোক্লম্বা চেফোঙ অদুগী মমিং করি কৌবগে?
:- 'পি থাদোই'।

৩। "নঙদি থৌগন্নবগী মশকনি/ইকায়খুম্নবৈ লৈ পরেং হুক্লফমনি।" পরেং অনী অসিনা কবি নহা ৱাংথোই খুমন্না নুপীবু থাঙ্গৎতুনা ইরিবনি। শৈরেং অদুগী মমিং হায়য়ু।
:- 'নুপী'।

৪। "নঙগী নফমদা ইনৌতা নৌই ঐ/অদুনা/নঙগী মুর্ত্তি লিশীং-লিশীং/শাবা তাই/... কিন্থখিবা খুদিং।" পরেংশিং অসিনা 'অহাংবা কা অমসুং চিঠি' কৌবা শৈরেং লাইরিক অদুগী 'আশা' কৌবা শৈরেংদগী লৌথোকপনি। নহা অইবীদু কনানো? **:- এম বি মেমে**

৫। "ঈপাক্তা মঙায়রে, হিনাউদি লৈতরে/ঙল্লরোই ঐদি নতুং ইনবসু/চৎলোকো চান্নবী পম্থুংদু তম্না।" পরেংশিং অসিনা 'ঐ ঈশৈ শৈরেং' কৌবা ঈশৈ শৈরেং লাইরিক অদুদগী লৌথোকপনি। অইবদু কনানো? **:- নোংমাইথেম কিরনকুমার।**

শিনি হায়রিসিবু করম্নোদা?

ৱাইরু-ৱাইরুবদা

মণিপুর অসি পংচাউ চাউবা লম নত্তে। ঐনা হায়জিনবা নৎচদে। য়াম্না পিকপা লমদম অমনি।

হৱা নুংশিৎ শেংনা নুংঙাই। চীংগী লমনা পাকপা চাউবা হেল্লি। তম্পাক্কী লমদগী চাদা মরিফুতরারোম ওইনা চাউই। লাইরিক্তা য়াওজবা ৱানি। তম্পাক্কী লমদি মণিপুরগী চাদা তরা রোমতনি।

কালেন থাদা মী শিহনবা ঙম্না নুংশা শাদে। নিংথম থাদসু মী শিহনবা ঙম্না ঈংদে। কয়াদা নুংঙাইখ্রবা মপুনা থাবা লমদমনো। মণিপুরগী অকোয়বদা লৈরিবা লমশিংদা অসুম্না ঈংনা এয়র কন্দিসনগা মান্নবা অঙ্গৈং অশাগী খল ওইদে। লমদম অসিদা মপোক তরেৎলক্তা নত্তে চাত্রেৎলক, লিশীংতরেৎলক ওইনা অদুম পোকচগে। নুংঙাইবা মফম অসিদা পোকচরুবনরা খঙদে শুংশি হেক শিনীংদে। চাবদা হাউতবা অমফাও লৈতে।

হৌরিবা উপাল-ৱাপাল লোইনা মশা মউ ফৈ। মশক ফজে। মনানা লেঙ লেঙ চৎলি, জুম জুম লাউনা য়ান্থে। মালংগী শাহুমদা উনাশিংনা থেংজিন্নবদগী থোরকপা তাল অদুদা মশক ফজ-ফজরবী অঙাঙবী, অশংবী চেক্লা লৈশাবী কয়ানা ইনখৎলকপগী ওইবা নুংওল ঈশৈ শক্লকপদি ইবেম্মা পুস্পরানি, চোংথাম কমলা অমদি মংকাদগী তাবা নত্তে। ওন্থোক্লা নুংশিখ্রবা খোঞ্জেল ঙাক্তনি মখল মথেল চেক্লা কয়াগী শৈশকশিং।

চীং-পাৎ-তুরেল পূম্নমক মবুক খরা তপ্লী। অহল লমন্না ৱারকপা মানবী ঈংজ-তপচবী চনুরা ঙাক্তবু মাল্লি। সিদগী হেন্না ফজবা লমদম অমদি লৈরমনি হায়বা থাজদ্রে। অতৈ লমদি তিংখৎতনা খরা শারম, তিংখৎতনা ঈংলম, উন্না খ্রক-খ্রক চিংশনখৈ তাদুনা মী হাৎতোকপা ঙন্বা য়ু পিগুন্বা লমদাসু নত্তে। য়াক্লা য়াক্লা নুংশা শাদুনা মী হাৎপা ঙন্বা মফমসু ওইদে। মপু মানদি কয়া ফজনা, কয়া নুংঙাইনা থাবিরমখ্রবনো। লমদম অসিদা তান চানরুদুনা পোক্লল্লিবা ঐখোয় অসে কয়া তান চানখ্রবনো, তোল্লবদি মসিদা খনবদা অহিং নোংলেন কয়া মীৎ কক্লা অমা উইশিনফিখদ্রবনি। অসুক নুংঙাইবা, অসুক ফজবা লমদম অসিগুম্বা অসিমা শানবা লাক্লবদা লাই মাসু কোক য়াম্না চঙলমগনি, ৱাখল হাইফেৎ য়াম্না থাদরমগনি।



মসিদা মোমোন মোমোন নোকপা মীওক মীচান ফবা মী ময়াম অমা লৈরে। দি জে সোদা লাকপদা কৈথেল ইমা-ইবেল কয়াগা চোংদুনা য়াম্না নুংশিয়ে, য়াম্না নুংশিয়ে হায়দুনা জগোয় শাম্মিন্নবা উজখি। চমজ খ্রবা ঐখোয়গী মীশিংনি।

লৈঙাক্লা চেঙ লেম্না পীবগুল্লে। অমাংশঙ লেম্না শাবিরে। য়ুম লেম্না শাবিরে। মৈ মরাং কায়না পীরে। লম্বী কোয়লাস খুদুপমুক থানা থাবীরে। লেম্না লাইরিক তমহল্লে। লেম্না য়ুনিফোর্ম পীরে, খোঙউপ পীরে। লায়রবা পূন্বা চিংখৎপীরে, নারে-য়েক্লে লেম্না লায়েংবীরে, লেম্না হীদাক পীরে, লেম্না চরা ৱালহল্লে, লেম্না লেম্না লেম্না, চীং চৎলু তৌদুনা চীংগী অৱাৎপা অমত্তা লৈত্রে, খুঙ্গং চৎলু পাঙথোক্তুনা খুঙ্গংদা অৱাৎপা অমত্তা লৈত্রে, মীয়ামগী নুমিৎ পাঙথোক্তুনা মীয়ামগী অৱাৎ অপা লোইনা ফোঙদোকহল্লে, অদুনা অৱাৎ অপা লৈত্রে, বন্দ লৈহল্লোইসু হায়রি। থক্লবা ঈশিং মরাং কায়না ফংহন্নীসু হায়রি, লম্বী থোং পূম্নমক এরোপ্লেন তাবা য়ানি হায়েখ্র, করপসন লৈত্রে হায়রি, সিদবু করি করম্না ঐখোয় শ্বর্গগী মথক্তা লাইরৈপাক ফংবা হায়দু য়ৌরবনি। অসুক নুংঙাইরবা - মহৌশা কৌবীনসু নুংঙাইনবা য়াবা নুংঙাইবমখৈ জোরো জোরো পানা পীনবিরক্লবা, অদুগা মসিগীসু মথক্তা মীয়ামগীদমক মনম তেকথোকপমখৈ ফনবা হোৎনরিবা লৈঙাক অমসু লৈবীরে । মসিদা ঐখোয়না নুংঙাইত্রবা হায়বদুদি হেক নুংঙাইমন্দ্রবা হায়বদুনি।

নুংঙাইবনা থল্লবা লমদম অসিদা অমুক্কা হেন্না নুংঙাইহনবা - লৈবাক ঙাক্লিবা কাঙবুনা কৎথোকপীবগী হেক পূমকৎ হেক কৎথোকপীরবদি য়াম্না হেন্না য়াইফগদৌরি। অঙকপনি তাইবঙপাল কৎথোকপা য়াওদনা কৎথোকপা মানবা ৱা ঙাঙবা, শিবীবা ঙম্মোইদবদা শিবিগে হায়বা মীনা ৱা ঙাঙনবা ওক্লরবনিকো। শিরবদি সুইসাইদনি হায়দুনা মতুং তারকপদা কয়া নাতে চারোই। ●

খুন্নাইসি মুখরকপদা য়েক থোক্লবা হেল্লকপা

নবকুমার ওইনা

খুন্নাইসি মুখরক্লি হায়বসি উনা-উনা খঙনদবা ওইগদৌরি। হোংবা হৌনবা খুন্নাইগী হোংলক্লিবা শক্তমদা হেঞ্জিন্না থাজবা খরনা ফরবনি হায়না লৌবা য়াওরবদি অচৌবা মীনম্বা অমা ওইগদৌরিবনি। মী মশীং হেনগৎপা হায়বসি মহৌশাগী খোঙচৎ অমনি। শিব হৌনবগী পুন্সি লোইরগা শিবা অদুগী মথক্তা ৱাখল লৌশিং শোয়লোন্দবগী শিবনা চাম্মদা চাম্মা ওইগদৌরি। চানবা পোৎতা পোৎয়ান তৌজরবসু চাবা হৈতেবা, ড্রগ চাশিনবা, চাবা ফংদবদগী শিবগী মথক্তা ঈ ময়েক শেংনা খঙনদবদগী শিবসু মশীং খঙলোইদৌরি।

খুন্থোক্লোনগী মতুং ইন্না তোৎশিন্নবা য়াবা তোৎশিন্নদুনা লাক্লবনি। অপিকপা ফুরুপ্তুগী অচৌবা ফুরুপ ওইরক্লবা লানফা ওইনা লৌশিনবা অমসুং খুন্থোক্লকপা কয়া লৌশিনবগী চৎনবী লৈবা হায়বসি ঈদদি তোৎশিন্নরি হায়বনি। মদুগী মথক্তা য়ূমথংনবা লৈবাক কয়াদা নিংঙোল থাজবা অমসুং নাই ওইনা চৎখিবা কয়াদগী ফুরুপকী ওইরিবা অপূনবগী শক্তমদসু অহোংবা কয়া লাকপা মহৌশা ওইরকই। কনাদাদা লৈবা মৈতৈগা বর্ম্ম (ম্যান্মার) দা লৈবা মৈতৈগা খেন্নরক্লি, ষ্টেট মনুংদসু খা-ৱাং, নোংপোক-নোংচুপ খেন্নবা লৈবা উরি। হৌরকখিবা পুৱারীনা খেন্নবা লৈতবা য়ারক্তবনি হায়গনি, খেন্নফম থোকপনি।

চহী তরেৎ খুন্তাকপা, বৃটিশ মচাশিংনা কুইনা লৈশিল্লম্বা, লল্লোনবা লাকখিবা কয়াদগী চারৌ-মৌরৌনবা কয়াসু য়াওখ্রিবনি। চীং-তম ঈ তোৎশিন্নবা ঙসি ফাওবা লেপ্পা নত্তে। নিংঙোল কয়া পাথোকখিবা, মপানগী নিংঙোল লৌশিল্লকপা লেপ্পা লৈতে। লম খরদদি তেতু ফাওবা য়েকশিন্দুনা অতোপ্পা ফুরুপ্তা চৎখিদনবা থৌরাং তৌবা লৈরিবনি। ঐখোয়গীদি মদুগুম্বা থৌরাং লৈতে, লৈরক্তে। লৈবাক অমদা ইচন-ইচা অমা পীথোক্লগা নুংশিনবা হেনগৎনবদি হোৎনরম্মী। ওন্না-তৈনেনা য়েক্লবা ওইখিবসু য়াওদবা নত্তে। লমদম অসিদসু খ্বাইদগী ৱাখল থেনবসি নুপী মরী ময়ামসি নুংশি-চান্নবা লৈবগী মহুত্তা য়েক্লবগুম্না হেক-হেক ঙাঙনরগা ঈ মরীনি হায়বা কাউবগুম তৌনবসিনি।

ফীভম অমা নৎত্রগা অমদা ঈ মরীশিং লৈমিন্নদবদি য়ারোই। মতম অদুদা য়েক থোক্লদনবা ৱাফম অমা লাক্লিবনি। থৌরাং ওইনা তৌবগী মাঙওইননা ৱাখল্লোন ওইনা মীয়ামগী ৱাখল লৌশিংদা য়াওরবরা হায়বা ফাওবা খঙনদ্রিবা অমনি। থায়নদগী হায়বা ৱাহৈসি চহী কয়াগী মমাঙদগীনো, তোৎশিন্নখ্রবা ময়ামদুগী পারি-পুরি ময়ামদু পারগা কদায় ফাওবা চুম্না চৎপা ঙল্লিবগে? য়েক লৌবগীদমক লোয় থাখিবা য়াওই হায়নখিবশিংদু ঙসি করি ওইখ্রবগে? মদুগী মথক্তা নোংচুপ হারমগী ময়াম অমা তোৎশিন্নখ্রবা মতুংদা য়েক মরীদু কদায় ফাওবা চুম্না থম্বা ঙল্লিবগে হায়বগী ৱাহং লাকই। য়ূম্নাক অমনা য়েক অনীদা য়াওবা থেংনরিবসি য়েক থোক্লবা লৌরুবদগী য়েক হোংবনি হায়বগী ৱারীসু লৈরি। হৌজিকসু য়ূম্নাকপু চেৎনা থম্বগী মহুত্তা য়ূম্নাক ফাওবা হোংলগা য়েক হোংবা য়াওনরি। নাটকী ওইবা, লৈঙাক্কী ওইবা ঙাক শেনবগী ৱাফম য়াম্না পিকশিনখ্রে। নিংথৌ অমসুং পিবাশিংনা ঙাক শেন্দুনা থম্নম্বগী থৌদাং লৌবসু উদ্রে হায়বা য়ারে, লাইগী ৱায়েন অমগুম্না অকিবা পোকপা ওইনা লৈরে হায়বা য়ারে। লাইগীদি হে-লৈ খরা কৎলগা য়ারবনি খন্নখিবগুম তৌনরক্লে। ইশম শম্না য়েক্কী ৱাসি য়াম্না য়াঙনা লৌনবগুম লৈরে হায়বা য়ারে। অহল খরতগী ওইনা লৈবগুম্বনি।

পামজবা অমসুং নাট ওইনা ঙাক শেন্দুনা থম্বা পাম্বা মীয়াম অমা লৈতবদি নত্তে। পাউ ওইনা ইনরিবা, রেদিওদা ঙাঙনরিবা খরসি নত্তনা অহকপা চৎনবী অমা খুল্লক-লৈরক্তা লৈরক্তবদি নাট ওইনা লৈত্রে হায়রকপসু য়ারি। ঙসিমক নাট ওইনা লৈত্রবা খুনফম ময়াম লৈরে, চীংদা য়েক থোক্লবগী ৱাফম লৈতে হায়বা য়ারি। শাগৈ চাউনবা ইনে-মচা লৌশিনবদুম চৎনবা য়াওনরি। য়ূম্নাক পীরবসু মৈতৈ পাঙনগী ঈ মরীদা য়েক থোক্লবগী পারম চুম্না লৈবা উদে। লৈমিন্নরিবা চীং-তম, মৈতৈ পাঙল অমসুং মৈতৈশিংগী মরক্তা চারৌ-মৌরৌনবদি নোংমা নোংমগী হেনগৎলক্লি। কনানা য়েক্কী পরম শেন্নবীগদৌরি? অচৌবা ৱাহং ওইনা অসুম লৈখিবা তাবরা? মতাং অসিদনি য়ূম্নাক থাদোক্লবা য়াদে হায়রক্লিবা, ফুরুপ খুদিংমক্তা য়েক খায়দবা য়ারক্ত্রিবা। কনানা, কমদৌনা শেন্নবা তারি। থৌরাং অমদি তৌদবা য়ারক্ত্রবনি। ৱারী ওইনা পংঙাঙ ঙাঙনবনা কান্নবা পুরকপদি ঙমখিরোইদৌরি।

য়েক লৌনবগী অমাঙ-অতোং সাইন্সকী ওইনা ময়েক শেংনা লৈরে। কোন্সানগিনিয়স মেরিয়েজ হায়বসি ইপা ইপুনা হৌদোক্লম্নদুমক নৎত্রবসু ঈ অমসুং ঈদা য়াওবা আর ঐচ ফেক্টর পুথোক্তুনা ঈ মান্নবশিংগী মপাঙ্গল শোন্থরকপগী খুদম চাংদম কয়া পুথোক্লে। অশোনবা জেনেটিক অনী পুল্লবদি হেন্না শোন্থরকপগী শাজৎ অমা লৈরকপনা য়েক থোক্লে হায়রিবশিংদা অনা-অয়েক হেনগৎপা নৎত্রগা পুন্সি তেনবগী ৱাফম লাকই। মদু নত্তবদা পা-পিগী ঈ তিন্নবা য়াদবদগী মচা-মশু শুথাং ফংদবসু য়াওরিবনি। হৌজিক মপোক-ময়ি ইদুনা থম্নরিবা অসিদা আর ঐচ পোজিটিব নৎত্রগা নেভেটিব ইরগা হাপ্পবা ফরবনি। পক্ল-ৱায়নবা য়েংবা হায়বসি সাইন্টিফিক ওইদবা য়ারক্তবগী ৱাফম লাক্লবনি। মদুমক খঙনরমদ্রবসু ইপা-ইপুশিংনা এক্সপরিয়েন্স কয়াদগী য়েক থোক্লবা য়াদে হায়বা খঙলম্বসিমক মমল লৈনা নাট অমা ওইনা থল্লম্বসি শিংথানীংঙাই ওইরিবনি। অসুক য়াম্না মমল য়াল্লবা নাট অমা মরাই চাইথরকপা অফবা খোঙথাং নত্তে হায়গনি। হীরম অসিদা লোগী ওইবা চেকশিনবা লৈত্রি।

ফুরুপ অমনা নাট ওইনা ঙাক্লগা খুন্নাই অমগী ওইনা কান্নবদু ফংবা ঙম্লোইদৌবা ৱাফম লাক্লি। চারৌ মৌরৌনবদি ফুরুপ মরক্তসু লেপ্পা নত্তে। মরম অসিদগী অফবা চৎনবী অমবু ঙাক শেন্দুনা থম্নবগীদমক ফুরুপ খায়দনা চৎনবী ওইহনবা তারক্লি। য়েক্কী চৎনবী লৈত্রবসু য়েক মখল খায়বদি লমদম অসিগী লূপশিংদা লৈরিবনি। অপূনবা ৱাফম ওইনা খন্ন-নৈনবা অমা তঙাইফদনা চঙলি। চীং-তম অনীমক্তা শাগৈ নত্তবা য়েক খায়দোক্লগা থল্লম্বা লৈরি। শাগৈ ময়ামগী য়েক খায়বা হায়বসিদা চীং অমসুং তমদা শমজিন্নদবা অমা লৈবসু য়ারি। তমগী করম্বা য়েক্লা চীংগী করম্বা য়েক্লা মান্নরিবগে হায়বসি খঙনদ্রবদি চীং-তম অনীগী মরক্তা করম্না য়েক থোক্লবা খঙগদৌরি। হান্নলা চারৌ-মৌরৌনখ্রবা তাঙ্খুলগী শাগৈ অমগা, মৈতৈগী শাগৈ অমগা, কবুইগী শাগৈ অমগা য়েক্কী ৱাফমদু চেকশিন্না য়েংখিব্রা? মদুগী কাঙলোন লৈনা-লৈনা খুন্নাইগী শাজৎ কয়া হোংখিবদগী মাঙথরকখিব্রা নৎত্রগা ইরৈমক লৈরমদ্রবরা থিগৎপা তারক্লি। খুদম ওইনা কবুই শলাং মাইবগী মতমদা য়েক্কী ৱাফম করম তৌরমগনি? মৈতৈ পাঙল ফুরুপকীদি ইবেনশিংগী য়ূম্নাক খঙলবদি য়েক থোক্লবা থোক্লদবা খরমখৈ থিগৎপদি ফংগনি। পীখিবা য়ূম্নাক নীংশিংলগনা মশাগী য়েক লৈজবা তাবনি। খন্ননীংঙাই ওইরিবদি মৈতৈ নিংঙোল মরক্তা মৈতৈ পাঙল নিংঙোল অমনা ময়ূম পানবদা য়েক সলাই থিবগা মৈতৈ বামোন নিংঙোল অমনা য়ুম পানবদা য়েক্কী খন্নবগা মান্নবা ঙমদবসিনি। মৈতৈ ইমুং অমনা কবুই নিংঙোল মৌ ওইনা লৌশিনবা মতমদা য়েক্কী ৱাসি কয়া লুম্না খন্নবা ঙল্লিবগে? ৱাফম ময়ামসি অনৌবা সাইন্টিফিক ওইবা য়ূস্ফম অমদা শাগৎকদ্রা নৎত্রগা হান্নগী চৎনবী অমদা শাগৎকদ্রা হায়বসি লৈখায় তাদবা য়ারক্তবগী মতম ওইরক্লি। হান্নলা খন্নবা লৈরবসু ময়েক শেংহনবা চঙলি।

কাঙলূপ খুদিংদা লৌনবা য়াই-য়াদে হায়বগী ৱাফম লৈত্রে হায়বদি নত্তে। খুন্নাই শাগৎলকপগী ৱারীদা য়াওবা ৱাথোক ওইনরম্বা মচিন-মৌপ্পা লৌন-লৈনবা য়াওরকপা, মনে-মন্দোল খঙলক্তবা কয়াদগী পিবানা, নিংথৌনা অথিংবা কয়া পীবদগী অয়া-য়াদা খায়খিবনি হায়বা ৱাফমসু লৈরিবনি। হায়বদি য়েক্কী ৱাসি মৈহৌরোলদগী লৈরকপা মান্দে, খুন্নাই শাগৎলবা মতুংদা ৱাথোক ওইনরকপদগী য়েক্কী চৎনবী শেল্লকখিবা ওইফম থোকই। ঙসিদি ঈগী ওইবা শাজৎ খঙলকপদগী হায়ব্রিদ ওইরবা মীওইবগী ফুরুপশিংগী মরক্তা কয়াৎ অমা থমদ্রবদি ৱাথোকসু হেনগৎলক্কনি পুন্সি শাংবসু ঙল্লক্লরোই হায়বগী ৱাদুনি লুরক্লিবদি। মদু খঙদে হায়জরগনা শাগৈ মুৎপা, ফুরুপ মুৎপা তারক্লি হায়বগী সাইন্সকী ৱাফমশিং নৈনদবা য়ারক্লে হায়বগী ৱানি। চারোল অমদা চহী চাম্মা-চনিদা উবা ফংদবদি য়াই ফেলিয়েল জেনেরেসন (চারোল তরেৎ) লক্তদি শোয়দনা উবা ফংলক্কনি হায়বগী চেকশিন থৌরাং তৌদবা য়াদবনি হায়বসি খঙম্নিবা চঙই।

ঙসি ঙসিমক য়েক লৌনবা মরক্তা অশোয়বা উদবসু য়াই। মরমদি মৈহৌরোলদগী নাইতোম তাদুনা লাক্লবা শাগৈ নত্তবগীনি। নোমেদিক ওইরিঙৈদগীনা খুন্থোক্লোন মরোল কয়ারক অসিদা হায়ব্রিদাইজ তৌরগা লাকখিবগী অফবসু লৈরি হায়বদুনি। মরক অদুদা ম্যুটেন্ট থোক্তবদি নত্তে। অসিগুম্বা মতাংদা সাইন্টিফিক ওইবা প্রোসেস অমা হোস্পিটাল নৎত্রগা ক্লিনিকশিংদা চাংয়েং তৌবগী কাঙলোন অমা হৌদোকপা তারক্লি। মদুদি নত্তনা মিথোলোজিদা য়ূস্ফম ওইরগা অসুম চৎথগনি হায়রবদি পন্দিট শাবশিংগী শেন্দাল লম্বী ওইনা উনরকপসু য়ারিবা অমনি, কান্নবদি ৱাৎকনি খল্লি।

হৌখিবা চক কয়াদা খোঙজেল য়াঙনা তোৎশিন্নখ্রবসু ঙসিগী খুন্নাই অসিদদি চীং-তম অনীমক্তা লৈমিন্নরিবা ফুরুপ অসিতমক তোৎশিন্নগনি। ফুরুপ অহুম-মরি অসিতগী (পূন্না পূন্না লৌরগা) আইশোলেট ওইরবা খুন্নাই হায়বদুমক ওইরক্লগনি। মতম অসিদা চেকশিন্নীংঙাই ওইরিবদি ঐখোয় হায়বদু পূন্না ওইরক্লগনি। মতম অদুদা খ্বাইদগী ফরবা জেনেটিক গ্রুপ ওইনবা থৌরাং তৌহৌবা চঙই হায়বগী ৱাদুনি। নুংশিনরবনি হায়বগী পাখঙ-লৈশাশিংগী রোমান্সনা য়ারোই। তুংদা থোক্লক্কদৌবা ৱাথোকশিংদু ইতোমতগী ওইরক্লোই, খুন্নাই অসিগী ওইরক্কনি হায়বসি খঙদবা য়াদবনি, খঙহন্দবা য়াদবনি, তন্বীবা চঙই। মসিমক তন্বীবা ঙমদবা তারবদি অহল পান্দবা কৌগনি।

মুখরক্লে হায়রিবা ফুরুপশিংদা আইশোলেট ওইনা লৈরকপগী খুদম য়াওগনি। য়েক্কী ৱাফম লৈরবসু ঙাক্লা চৎপা ৱাৎকনি। চাবা থকপদগীনা হকশেল কাঙলোন্দা অশোনবা লৈবতা নত্তনা ফিলোসোফিকেল ৱাখল্লোন্দসু পাক চাউনা উবা ফংলমদবসু য়ারি। লমদম অসিদি চহী চাম্মগী মমাঙদা অনৌবা খুন্নাইগী শক্লোন অমা য়ৌরক্লম্বা নৎত্রি। অমনা অমনা মায়পাক্লম পাম্বগী ঙাওবা য়াওরবসু মালেমগী ওইনা মীওইবা খুন্নাইগী মরক্তা লম্বী-থোং, লৈঙাক্লোন অমসুং কম্যুনিকেসনগী তোৎন-তিন্নবা ৱাৎলম্বদগী ওইরল্লিবা ফীভমশিং নীংশিংবা তারি। মদু খঙনা অনৌবা শক্তম শাগৎমিন্নবা তারকই।

ঐগী মাগী মচেৎ নায়বা মীওই খরগী ৱারীনা য়ারক্লোই। ঐখোয় খরদি মুৎশিল্লক্লি হায়বদি খঙদবা য়াদ্রবা ৱাফমনি। চোঙলিবা, লাউরিবা খরসিনা হিংলগনি হায়বা লৈত্রি। ৱাখল লৌশিং হোংবা চঙই, থিজিনবা চঙই, ইশম শম্না হিংবা ঙম্বা চঙই।

ঐখোয় জিনেটিকেল্লি হোংলে, কলচরেল্লি হোংলে, সোসিয়েল্লি হোংলে, পোলিটিকেল্লি হোংলে, হোংদে হায়না খনবদু ফাওবা হোংলে। য়েক-সলাইদি হোংবা য়ারোইদৌরি। ●

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অহবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্না মরী লৈনদে।